## চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ – ইন্দিয়া

# ইংলেন্দনা স্পেনবু পাঞ্জল ৫–২ দা থোইদুনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে, অদুগা অহুমশুবা পোজিসননা মালিবু পাঞ্জল ২–০দা থোইরগা ব্রাজিলনা ফঙখ্রে



চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা

*কোলকাতা, ওক্তোবর ২৮ ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারিদা অনৌবা লমায় অমা হাংদুনা থা অসিগী ৬তগী লৈবাক অসিনা য়ুম্বু ওইদুনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কোলকাতাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা স্পেনবু ইংলেন্দনা পাঞ্জল ৫–২ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। অদুগা অহুমশুবা মেটচকী অঙনবদা শান্নখিবা মেটচতা ব্রাজিলনা মালিবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখ্রে।

কোলকাতাগী মীয়াম্না শম্না সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম হায়না খঙনরিবা মমিং অশেংবনা বিবেকানন্দা য়ুভ ভারতি ক্রিয়ানগন ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল পুং ৫ তাবা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা পোজিসনগী শান্নখিবা মেটচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবা ব্রাজিল অমসুং মালি লম্বা তৌনখি।

লম্বা অদুদা টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফ অকনবা লম্বা থেংনদুনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা ব্রাজিলগী মাইকৈদগী অলান্না মশাগী অহানবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা পাঞ্জল চন্দুনা মালিবু মাংজিল থাখি। মালিগী মাইকৈদগী অহেনবা প্রেসর পীরক্লবসু ব্রাজিলনা এটেক্টশিং অদু নমথদুনা থম্বগা লোয়নননা শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই য়ুপু অলবোতোনা পাঞ্জল ১গা চনশিনদুনা মালিবু ২–০দা থোইরগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কোলকাতাগী সোল্ট ষ্টেদিয়মদা মখা তানা শান্নখিবা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইংলেন্দ অমসুং স্পেন লম্বা তৌনখিবনি।

ষ্টেদিয়ম অদুদা ভাবক ৬৬,৬৮৪ না মীৎয়েং তাদুনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পুৱারিদা খ্বাইদগী ভাবক মশিং য়াম্না তিনখিবা রেকোর্দ অদু চাইনাগী কুমজা ১৯৮৫ তা লৈখিবা রেকোর্দ অদুদগী হায়নিঙাই লৈতনা হেন্দুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।

চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ হৌরকপদা স্পেনগী মাইকৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নদুনা ইংলেন্দবু মখোয়না খুদুম চনখি।

মেটচকী অহানবা ১০শুবা মিনটতা স্পেনগী মাইকৈদগী সর্জিও গোমেসনা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা ইংলেন্দবু স্পেননা ১–০দা হেন্দুনা লৈখি।

পনবা য়াই কোলকাতাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম অদুদা ইংলেন্দগা লম্বা তৌনদুনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ফাইনেলগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা সর্জিও গোমেসনা ঙসিগী ফাইনেল মেটচকী অহানবা পাঞ্জল থারগা মশাগী ওইনা চখৎরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহুমশুবা পাঞ্জল ওইখি।

পাঞ্জল ১ ঙন্না স্পেননা চনশিনখিবা মতুং ইংলেন্দগী চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিম অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্যুলাইজর থিবা হৌখি।

ইংলেন্দগী শান্নরোইশিং অদুনা অহানবা হাল্ফ অদুদা স্পেনগী গোবেসনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ স্পেনগী মাইকৈদগী চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ১৪ ৱাৎলিঙৈদা ফাইনেল অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা স্পেনগী সর্জিও গোমেসনা মহাক্কী টিমমেট সিজর গেলাবর্টনা শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা পীরকপা পাস অমদা য়াম্না ফজবা মওংদা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদুদা পাঞ্জল ২ চনশিনবা ঙমদুনা ইংলেন্দবু স্পেননা ২–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

নিংশিংবা য়াবদি চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দা ব্রাজিল মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা স্পেননা মালিবু থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

কোলকাতাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ানি ইনফন্টিনো মশামক য়াওদুনা মীৎয়েং তাদুনা ফিফাগী অতোপ্পা ওফিসিয়েল কয়ানা য়েংশিনখিবা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ুম্বু ওইরিবা অসিদা অপেনবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা ফিফাগী ওফিসিয়েল ওইবা মীফম্না লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা জিয়ানি ইনফন্টিনোনা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী অহানবা ফিফাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি য়ুম্বু ওইবা অসিদা শিল্লি লংলিবা কাংবুদা অপেনবা অমদি হরাওবা ফোঙদোকখি। অদুবু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী প্রসিদেন্ট ফরফুল পাটেলনা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফাগী চহি ২০ মখাগী ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইগে হায়না থমখিবা মতাংদা ইনফন্টিনোনা অরোইবা ৱারেপ অমত্তা পীখিদে।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইরমদাইদা ইংলেন্দগী ব্রুস্টরনা পাঞ্জল অমা চনখি। মখা তানা অনীশুবা হাল্ফতা ইংলেন্দগী মাইকৈদগী গিকপগী পাঞ্জল ১,ফোদেনগী পাঞ্জল ২ অমসুং গিহিগী পাঞ্জল ১ না স্পেনবু পাঞ্জল ৫–২দা থোইরগা টাইটল লৌখি।



মালিবু পাঞ্জল ২–০দা থোইদুনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপগী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিং




# চৎলিবী চহি অসিগী অরোয়বা শরুক্তা খুদোল তম্নবা শেম শাবা লোয়রবা অমররাজগী "নিংঙোল ৱাথোক"



হিংলিবা মীওইবশিংদগী পাকহেক থাদোকপা য়াদবা কল্লকপা মীহৌবা হায়বা মীওইবশিংগী মরমচৎ অসিনা মতম পুন্নমক্তা অচৌবা লাঞ্জাও অমগী 'মৱ' ওইদুনা লাকই হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না পুৱারিগী তাঙ্কক কয়াদা উখ্রে, খংখ্রে।

অদুবু, খংনা–উনা, অহেনবা পাম্বা হায়বা মীওইবগী মরমচৎ অসিনা অফ–ফত্তা খন্থবা ঙমহনদবা অসিনা মীওইবা পুন্সিগী অকা–অকুম নাইনা তাইবং মপুনা মীওইবগী লু–তোং শেম্বীবদা তম্বীরক্লবা খুদোল ওইরিদ্রা ? হায়বা ৱাহং অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা নিংথেমচা ফিল্ম প্রদক্সন হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা অহানবা ওইনা পুথোক্কদৌরিবা মণিপুর ফ্যুচর ফিল্ম 'নিঙোল ৱাথোক' হৌজিক নম্বা পুমলোই লোইদুনা চৎলিবা ২০১৭গী দিসেম্বরদা মীয়ামদা খুদোল তম্লক্কদৌরি।

ফেমিলি, রোমান্সতা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অসিগী সুটিং লোকেসনশিং অয়াম্বনা ইম্ফাল মনুংদা ওইরি। হৌজিক কৈশামথোং তোপ লৈরক্তা লৈবা কেটুকি ফিল্মকী ফিল্ম ইদিটিং য়ুনিততা প্রোসেস চখৎরিবা ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবশিং দি মরুওইনা নুপাদা ঃ বোনি, রতনলাই, লোকেন, ওলেন, ব্রোজেন, অঙৌবা, প্রেমজিৎনা ওইরি অদুগা নুপীদা ঃ সোমা, লিলাবাটি, হেমাবাটি অসিনচিংবা শক্নাইরবা আর্টিষ্টশিংনা শক্তম লাংলি।

লোয়নননা ফিল্ম অসিবু মপুংফানা পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা ক্রেদিটলাইনদা লৈরবশিংদি মেক–অপ, বেনরজি, কেমেরামেননা হেরোজিৎ টি ঐচ, ইদিটরনা আর কে অমোতোম্বা, এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর, সরান টি ঐছ, প্রদক্সন মেনেজরনা প্রেমজিৎ (প্রেম) লাইট এন্দ ইক্কুপটমেন্টনা কেটুকি ফিল্মনি।

ম্যুজিক দাইরেক্টরঃ তোনি অহৈবমনী সিঙ্গরনা লিন্দা, ক্রিনপ্লে এন্দ দাইলোগনা রাজেস হিজমনা ওইরিবা ফিল্ম অসিগী দাইরেক্টরনা মমি তাইবংদা সেল্লুলোইদ মতমগী মীয়াম্না পাম্নরবা এক্টর আর কে অমারজিৎ, দিজিটেল ফোর্মেট হায়রগা খংনরিবা ফোর্মেট মখল অসিদা অমররাজ মিংথোনদুনা খুৎ থারি। শক্লোন য়াম্বা অশেংবা কলাকার অসিনা ঈশৈ ময়েক, এক্টিং অমদি দাইরেক্টরগা লোয়নননা অতৈ–অতৈ হিরমলম কয়াদা মহাক্কী কন্ত্রিব্যুসন অমা পানলুদ্রগসু মমি তাইবংবু পামজবা মীয়াম্না হেন্না খংনরবা ঙাক্লি ।

২০০৩/০৪ দা জি আই ফিল্ম হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা অহানবা পুথোকখিবা "মীৎয়েংদুগী ৱাংমদা" হায়রিবা হৌজিকফাওবদা চাওরাক্লা ফিল্ম ৫০মুক মাই পাক্লা খুৎ থাখ্রবা দাইরেক্টর অসিনা দাইরেক্সন পীখ্রবা ফিল্ম খাদং পনলবদা, জি আই ফিল্মকী "লমহেল্লবী থম্মোয়শিনা", মীৎকী কাজল, সাই মেদিয়া লাইন গী "নঙসু মৌনি", কেটুকি ফিল্মকী "নুংশিবী তখেল্লে, নিরা আর্টসকী "পায়ল", "মাঞ্জা" লিংজেল মুভিগী " থমোয়গী ৱাহংদুনি" ওসিন ফিল্ম দিভিজনগী "ইদোম চৎচরগে অসিনচিংবা ফিল্মশিং অসি ঙসিফাওবা ময়াম্না শোন্নরিবা ফিল্মশিংনি।

লনাইগী ওইবা অচিনবা খরদগী মতম খরা লেপ্পুরবা তুংদা নিংথেমচা ফিল্ম প্রদক্সন হায়রিবা বেন্নর অসিগী অহানবা ওইনা

## ঐচ রাজেস

ফিল্ম অসিদা মশামক্লা এক্টর দাইরেক্টর ওইনা ভাবকশিংগী থম্মোয় জয় তৌখ্রবা মতুং ফেমেলি অমদি রোমান্সতা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোক্কদৌরিবা "নিংঙোল ৱাথোক" হায়রিবা ফিল্ম অসি, মীয়ামদা খুৎশিন্নবা শেম শারি।

সোং সেক্যুসেন্স অমখক য়াওবা ফিল্ম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি– "য়াম্না নুংশি চান্ননা, লৈবা, অৱাৎ–অপা লৈত্তবনা নিংথেমজাও, মরল–মথুম লৈবা মীশক অমা ওইনা লৈবাক্লা শকখংনবা মীশক অমনি।

মরল লৈবতা নত্তনা মপুকচেল চাওই, নোল্লুকই। লোয়নননা মতম পুন্নমক্তা মচাশিংগী মনিং থুংহন্নবা হোৎনজৈ, মদুমক্লা মচাশিংগসু নিংথেমজাও মরী য়াম্না ফৈ।

মচানিংঙোলশিংনা মথং–মথং ময়ুম পান্নখ্রবা মতুংদা মচানিংঙোলশিংগী মরক্তগী মপাগী প্রোপরটিদা মীৎয়েং চংলকপা হৌরকপা। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা নিংমেমজাওনা মহাক্কী মচানা করিশু নত্তবা লণ খরগীদমক ইমুং–মনুং, অপোকপা–অপোকপীগী মায়োক্তা লে প্লা ঙম্বী মচাগী মতৌদুদা থাজদবা অমদি পেন্দবনা হেনখিবনা লাইমন ওইদুনা লৈখিদে।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা তাইশন্নবা য়াদনা লৈহৌরগদবা মচিল–মনাওশিংবু মপাবুংনা পামজরম্বা লম্বীদা, লমজিংনবা হোৎনরুবা নিংথেমজাওগী মচানুপা অতোনবা (বোনি) না ফনা কন্না হোৎনজদুনসু হঞ্জিন–হঞ্জিন অরানবা তাখি।

অসিগুম্বা তাংক্কক অসিদা বোনিনা করি করম্বা ফিরেপ লৌখিবা ? পোলোইদা করি ওইখিবা ? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমগা লোয়নননা অমরাজগী ফেমেলি, রোমান্সতা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অসিগী মহাও শুকশোই শোইদনমক্কী চৎলিবা চহি অসিগী অরোয়বা শরুক্তা ফংলগনি। মতম অদুফাওবদি ঙাইমিন্নখিবা তারি ।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*